ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ২৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৮১শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন

### য়ুহনগুমসি, মীগী মমাঙদা ইকায়জৈ

মণিপুরদা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন চঙশিল্লক্লিবসি কুইরে। হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌরকখিবনি। হৌজিক চহী ৪ ফাজিল্লক্লে। ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা/শোক্নরকপা লানসি লেপ্তুবা অমসুং হেন্না কনশিল্লকপনা লানসিদা লানঙম ফিরালমক থেৎত্রবসু ফনা য়াম্না মায় পাক্লে। হোৎনজমনগী মহয় চাবা হৌরে। য়াম্লবা মখল কয়াগী ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎলে। চেন্নবা মীওইশিং ফারে, জেলদা থাজিল্লে। ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন প্রপ-প্রপ চথদুনা মরী লৈনবা কোর্টশিংদা চার্জশীট থাগৎনবা হোৎনরি। চেন্নবা মীওই পূম্নমক প্রোজিক্যুট তৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা ৱায়েল চথদুনা মরালগী মতুং ইনবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনরি। অদুগা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবা পূনবগী থবকশিংসু হান্নদগী নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী সেক্সনশিং এগজিক্যুট তৌবদা অয়াবা পীবা সিভিল পুলিস য়াওনা অতৈ এজেন্সীশিংগী মথক্তা মণিপুর রাইফলস অমসুং ইন্দিয়া রিজর্ভ বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংদা ফাওবা অয়াবা পীদুনা লানসিগী লান্মী ওইহল্লক্লে। লানসি লেপ্তুনা শোক্নরকপনা চীং অমসুং তমগী কাঙলূপ-ফুরুপশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনসু ফোংনা চোঙথোক্নরক্তুনা লান পাংশিল্লক্লে। মসি পূম্নমক লেপ্তুনা শোক্নরকপা লানফমসিগী তোংজবা মহয়নি। মখা তানসু ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মপান্দগী পুশিল্লকপা, মণিপুরদা শুংবা, পুথোক-পুশিন তৌবা, য়োনবা অমসুং চাবগী মায়োক্তা মথৌ তাবা লান শোক্নখিগদবনি। শোক্নরুরবনিনা মায় পাক্ত্রিঙৈদা খাঙতপ্তা মায় লৈদুনা চেল্লরোইদবনি, খোঙফম হনে দাক্লরোইদবনি।

অদুবু ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা লানসিনা হৌজিক ময়ায় চবুক য়ৌশিল্লক্লে হায়দুনা লৌবা য়াবগী ফীভম ওইরক্লবা তাঞ্জাসিদা মণিপুরদগী পুথোকখিবা মখল কয়াগী ইল্লিগেল দ্রগশিং নাগালেন্দ অমসুং অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎপগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোরক্লিবা অসিদি থোরকহনফম থোক্তুবা থৌদোকশিংনি হায়নীংই। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২২ নোংমাইজিং নুমিৎতসু মণিপুরদগী দল্লিয়ু ৱাই ময়োম ১৪৯ হাপ্লগা লাকখিবা ত্রক অমা অসামগী নেসনল হায়ৱে-৩৬কী মফম অমদগী অসাম পুলিসনা ফাগৎখি। থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে, অরোইবসু ওইগনি হায়বা থাজদ্রি। চপ মান্নবা থৌদোকশিংসি নাগালেন্দ মনুংদসু থোকখ্রে। অদুবু মসিদি চুমদবা অমসুং থোরকহনফম থোক্তুবা থৌদোকনি হায়নীংই। মরমদি চহী ৪ রোম চূপ্না ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন চথরক্লিবা মণিপুরগী থৌনা ফবা লানসিগী লান্মীশিংগী খুরক্তুগী ইল্লিগেল দ্রগশিং লিৎথোকখ্রগা য়ূমথংনবা নাগালেন্দ অমসুং অসামদা মণিপুরদগী পুরকপা দ্রগশিং ফারে হায়বসিদি ইকায়বা পোকপগা লোয়ননা লানসিগী লান্থোং য়াৎপদা লান্থেংদা অহোবশিং লৈরে হায়বনি। মসিগী চপ চাবা খুদমনি। মসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মখা তানা থোরকহন্দনবা হেন্না কন্না হোৎনহৌবা চুমগনি। মসিগীদমক লান অসিগী লান্মীশিংনা মথৌ তাবা পোৎলম-পোৎচাক খূৎলায়শিংগী মশীং ৱাৎহনগনু, মেনপাৱর মতিক চাহল্লু, এদভান্স ইন্টল্লিজেন্স ইনপুট/নেটৱর্ককী মপাঙ্গল কনখৎহল্লু। হোমগী থবকসু খূৎপায়নরিবা চীফ মিনিষ্টরনা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎপা ঙমখিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংদা য়াম্লবা শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রিবদুগী মনুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোকশিং লানসিগী মাঙজিল থাদুনা তেংমাই লেপ্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মুন্না খঙগদবনি। মরু ওইনা ম্যান্মারগা তায়নরিবা মোরেবু কোনশিল্লিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরগা চান্দেল, ককচীং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থোইদোক হেন্দোক্না লুখমদসু মীৎ পানবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নীংই। মণিপুরদনা অকনবা ৱার ওন দ্রগসকী লান শোক্নে হায়রগা লানফমসিদগী ইল্লিগেল দ্রগশিং চোইথোরক্তুনা নাগালেন্দ অমসুং অসামদা ঙাইহাক লৈতনা ফারে হায়রগদি লান অসি কৈবুই কৈওইবগী উতোংগুম্বা হোত্রোং হোবা লাননি হায়নরক্কনিকো।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) **“মণিপুর গৌর লীলা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“মনোরমা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“অপীকপা নুংশা শ্বর”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) **“ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লিকর লিগেলাইজেসনদা মীৎয়েং অমা

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২১

### জিতেন নামৈরাকপম

মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না অহোংবা কয়া পুরক্তুনা অনৌ অনৌবা থৌদোক ৱাথোক কয়াসু লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসিদসু কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক মতম শাংনা পাল্লম্বা তুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক পানখ্রবা তুংদা অনীরকশুবা লৈঙাক্না মখা অমুক চথরক্লি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না ঐখোয়দা অনৌবা মহাউ ওইনা প্রোজেক্ট, প্রোগ্রাম কয়াসু পায়খৎখিবগী পাউ তানরে। হৌজিমক্কী ওইনা থৱায় য়াওনা পায়খৎলক্লিবা নহাশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কন্নবা ‘ৱার ওন দ্রগস’ পনবা য়াই। দ্রগকী মতাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ঙক্লিবদি নুংতি নুমিৎ খুদিংগী দ্রগ চাবা, য়োনবা ফাবা লেপ্পা লৈতে। লৈঙাক অসিনা দ্রগকী মতাংদা অকনবা এক্সন লৌরক্লে খঙনা খঙনা দ্রগ লল্লোনবা লেপ্তুবা, লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরগা মফম হোং হোংদুনা ফাবা শুংলেপ লেপ্তুবা অসিনি। খ্বাইদগী ঙক্লিবনা শেঞ্জাও পায়বা দ্রগকী মপুদি শুংফা ফাবা ঙমদবা অসিনি। নুংতিগী ফারিবা অসিদি মপুদি নত্তবা গাড়ীদা পুথোক পুশিন তৌবা হেন্দিমেন, দ্রাইভর নৎত্রগা শেল খরা পীরগা পাউখোল্লোয় ওইনা থাবা অসিগুম্বা ঙাক্তা ওইরম্মী।




ওইরিবা মওং অসিদা ‘ৱার ওন দ্রগস’ লান ফনা য়াম্না তৌরগসু মপূং ফানা মূথৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে। খ্বাইদগী শেন্দোং লৈবা করবার অসিদা শিবা-নাবা কিনদবগী মওংদা লৈরব্রা খল্লি। দ্রগকী ৱা অসিনা তোঙান্না থমখ্রগা হৌজিমক্কী বর্নিং ইস্যু হায়রগদি হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা কেবিনেট মীফম্না লিকর প্রোহিবিসন লিফ্ট তৌবগী ৱারেপ অসিনা ওইরে। য়ুঙাং ফোংনা য়োলহনবা অমদি য়ু শুংহনবদা অয়াবা পীখিবা, য়ু অসি লিগেলাইজ তৌখিবা অসিদা য়ানীংবা অমসুং য়ানীংদবগী মতাংদা মশা মশাগী মোত ফোঙদোক্নরকপশিংগী খোঞ্জেলতনা নিল্লরে। হীরম অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লিবসি কুমজা ১৯৭৪-৭৫দা শাফোঙখিবা নিশা বন্দ কোন্না মৈরা পায়বী হায়না খঙনদুনা লাক্লবা নুপীশিংগী ওইবা লূপশিং অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাক্লবা লূপশিংনা ওইরি। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা তুংগী য়ূম্বীনি হায়নরিবা নহাশিং অমদি য়ুদা লাইচুদুনা ক্রাইম কয়া থোকহল্লিবা নুপাশিংবু কলহৌনবা থোরকখিবা লূপশিংনা য়ু য়োলহনবগী ৱারেপকী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোক্নরকপা লেপত্রি। মরু ওইনা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা, ৱা অমত্তা খন্নখিবগী তাঞ্জা পীদনা লৈঙাক পায়রে হায়দুনা হাথু হাথু ৱারেপ লৌশিনখিবা য়াবা ঙল্লোই, হ্বাইট পেপর মতিক চানা পুথোক্কদবনি হায়বগী খোল্লাউনি। লৈঙাক্লোমদগী ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমনা অন্দ্রো, ফয়েং, সেকমাই, তাইরেনপোকপী, লৈম্রামনচিংবদা শুংলিবা য়ু কয়া অসিদা করি য়াল্লি-য়ান্দে, করম্না শুংলি, টেষ্ট তৌদুনা মালেমগী থাক্তা শুংহন্দুনা এক্সপোর্ট তৌদুনা ইনকম জেনরেট তৌবনি। য়ানশিল্লবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা য়ু থক্লুবদগী লিভর শোকহন্দুনা সিরোসিসনচিংবা লায়না কয়া নাহন্দুনা তকখৎতনা শিখিবশিং অসিদগী কনবা ঙম্নবনি। মরমদি প্রোহিবিসন লৈনা লৈনা লৈকায়, খুঙ্গং, কাচিন কোয়া খুদিংমক্তা য়ু ফংদবা লৈতে। লৈঙাক অসিনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইমা-ইবেল, সী এস ওশিংনা হোৎনরবসু থিংবা শুকঙম ঙমদ্রে। নাৎকী ওইবা লাইনীং লাইশোনগী মীংদা শুংবা য়ুসু থিংলুবা য়াবা নত্তে। য়ু লিগেলাইজ তৌরবসু রেগ্যুলেসন কয়া লাকখিগনি। পাক্তক্লনা হেক্তা য়ু য়োনগদবা নত্তে। হীরম কয়াদা অথিংবা থমগনি হায়বসিনি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু য়ুনা অফবা অমত্তা পুরক্তে। ক্রাইম কয়াগী হৌরকফম ওইবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি। মৱা মপুরোইবনা য়ু থকচিল্লুরগা য়ূমদা হল্লক্লগা ওৎপা-নৈবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক থকচিল্লুরবনিনা মকোক লৈখৎলকপদগী ঙাঙনি, ঙাঙলোই খঙদবা খোনচোপ শীজিন্নবা, ইমুংগী নুপী অঙাং, মচা-মশুশিংগা খৎন-চৈনরকপা পূম্নমক য়ুনা থোকহনবনি। ইনখৎলকপা নুপামচা য়াওনা নুপী ফাওবদা য়ু পাক্তক্লনা থকৎনরক্লে। হোটেলদা, রেষ্টুরেন্টতা পার্টি তৌবা, ঙাওশিন ফৈজিন্নবা, ঐখায়না তান্নরবা উনরবা ঙাক্তনি। ফীভম অসিদা য়ু লিগেলাইজ তৌদুনা ফোংনা য়োনখৎলক্লগদি পূম্নমক মাঙমিন্নবা তারে। অঙাংশিংগী হৌরক্লিবা মীরোলসিগী পুন্সি কনসি। মীশিং য়াম্না তাবা লমসু নত্তে। খ্বাইদগী হেন্না ঙকপা অমনা প্রোহিবিসন লৈবা মণিপুরদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা য়ু থকপগী চাং রেঙ্ক মরিশুবদা লৈবা অসিনি। মণিপুরদা য়ু কয়া য়াম্না থক্লবগে হায়বদু দাটা অসিনা তাক্লি। ফীভম অসিদা য়ু লিগেলাইজ তৌরগদি খুদোং থীনীংঙাইগী থাক্তা লৈগনি হায়নবসিনি।

খ্বাইদগী হেন্না লুরিবা অমনা য়ু হায়বসি ঐখোয়গী চঙদবা য়াদ্রবা চিঞ্জাক অমা ওইনা চৎনরকপা অসিনি। মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরে। ইবা য়াবা ইনখ্রে। হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা অমদি য়ূমদা থোকপা থৌদোক কয়াদা য়ু অসি চঙদবা য়াদ্রবা মচাক ওইরকপসিনা মরম ওইরগা স্বষ্টি পুজা, নাহুৎ নারেং, শঙ্গাবা, লুহোংবনচিংবা থৌরমশিং য়ুগা, অহাউ-অহাউবা এঞ্জাং মারিনবগা পুথোক্ত্রগদি, পার্টি তৌদ্রগদি চাওখৎতবা মতমগী চৎনবী খঙদবনি হায়নরে। অমরোমদসু প্রোহিবিসনগী খুদোংচাবা লৌরগা লৈঙাক্তগী রেভন্যু অমত্তা কাদনা ক্লেক্তা য়ু লল্লোনবশিং চাওরবা শেন্দানফম ওইনরে। পুলিসসু, এক্সাইজসু, মঙাই য়ু য়োনফমশিংদা চঙল চঙলগা শেল লৌবা অদুগা লৈঙাক্তদি লুপা অমা ফাওবা কাদনা মশাগী শেন্দানফম ওইনরে। অসিগুম্বা এঙ্গল ময়াম অসি য়েংলগা এক্সপর্ট, অখঙ অহৈশিংগা তানরগা য়ু লিগেলাইজ তৌবগী ৱারেপ লৌবা ওইরমগদ্রা খঞ্জে। তৌবগীদি য়ু থকপা কাঙবুনা থকচবগী ৱানি। মপুন্সিদা য়ু মনম নম্মু য়াদবা মী কোকথোং অমসু লৈরি।

য়ু থকপদা য়াম্না ষ্টেন্দর্দ লৈনা পেগ ২/৩দা থকপা মীসু লৈ। লৈরিবমখৈ থক্তোক্লগে হায়বা এদ্দিক্ট চুরবা মীসু লৈরি। পূম্নমক মশা মশাদা লৈরে হায়নীংই। হন্দক লৈঙাক্কী কাঙবু খরা গোৱাদা চৎতুনা লমদুদা য়ু শুংবগী মওং য়েংশিল্লুরে তাজৈ। মতম কুইরে কুমজা ১৯৮৬তা অইবসু গোৱা য়ৌজরুরে। গোৱাগী সি বীচ কয়াদা সমুদ্র মপান্দা মহৌশাগী ফজবা য়েংজরকই। ঐখোয়গী সেকমাইদৌনা মখোয়গীসু য়ুবীদগী শুংবা ফেনী পুথোকপা লমদমনি। ৱাইন শোপ, বার পরেং পরেং লৈরিবদুদা য়ু অদুম থক্লে। মশা নান্না য়াম্না লেম্না থক্লে। য়ু ঙাওবা অমত্তা উরক্তে। ঐখোয় শ্বাইদনা কমদৌরিবা! লৈঙাক অমসুং সী এস ওশিং তানরগা করি ৱারেপ লৌরক্কদগে হায়বদু য়েংবা তাবনি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৬

### ৱাখল ইহুল

### সোরাম ইবোহল লুৱাং

মথক্তা পনখ্রিবা ৱাফম খরসিদগী ঐখোয়না তশেংনা খঙলে মদুদি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোক্লম্বা জগোয় রাস লীলা, নট শঙ্কীর্ত্তননচিংবা হৌজিক ফাওবদা তৌনরিবসি ঈনাৎকী ওইবা পোৎশক্তা মীরমগা তোৎশিন্নবা/য়ানশিন্নবা ওইবনা ‘য়ানশিন্নবা নাৎ/কলচরনা লমদমসিগী অশেংবা পুৱারীগী মচৎ নত্তে’ হায়বসি তপ্না তপ্না মপানগী মীওইশিংনা খঙলকপদগী ওইরম্বসু য়াই, হান্না খঙনীংনা তম্নিংনা লাক্লম্বশিং লাক্ত্রে হায়বসি অচুম্বা শোয়দনা ওইগনি। অদুনা হৌজিক ঈনাৎলোই ওইবা ঐখোয়না পাল্লিবদি ‘হৌরক্লোন্দগী লৈজরকপা নাৎ/কলচর, চৎন-লোনচৎ পূম্নমকসি ময়েক শেংনা য়ানশিন্নদনা থম্বসিনি।”

কংলৈপাক/কংলৈ কৌবসিনা অরোইবা কৌনবা লমদমসিগী মমিং ওইরিঙৈদা ১৮শুবা চহীচা হৌরকপদা শান্তিদাস গোষাই হায়বা অমনা লমদমসিগী মমিং মণিপুর হায়না ওন্থোক্লবা হায়বদা তুংগী পোইরৈ শান্না উবা ঙমখিদবশিংনা য়াখিবদগী হৌজিক ফাওবা মণিপুর কৌরবসু ইরমদমসিগী অশেংবা লৈশেম জগোয়, লাই হরাওবা, থাঙ-তা, শগোল কাংজৈ, মুক্না, মুক্না কাংজৈ, শরিৎ-শরাৎ, অরাম্বাই লংবনচিংবা কয়াবু মালেমগী মফম কয়াদা পামহন্নবা হোৎনরগা ‘য়ুনেস্কো’ দা মশক খঙহন্নবা/লিষ্টতা চলহন্নবা অথুবা মতমদা ঈনাৎলোইশিংগী মরক্তা অখঙ অহৈশিং/মমি (ফিল্ম) গী প্রদ্যুসর কয়ানা কোক চুংশিন্নদুনা দোক্যুমেন্টেসন/ফিল্ম ওইনা পুথোক্লগা ‘য়ুনেস্কো’ না শকখঙচে পীহননবা মথৌ তাবা ওফিসল প্রোসেস তৌহঞ্জনীংই। হীরমসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ময়োল লৈঙাক্তা তৌফম থোকপা রেকমেন্দ তৌহঞ্জনীংই, তৌবিরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। করিগীনো হায়বদা ‘লাইনীং লাইশোনগী মরমদদি মশা মশানা অপাম্বা চৎচসনু, মদুদা খূৎ থিংজিন্নীংঙাই ওইদে। অনৈবা ঈচেলনা অশেংবা/অচুম্বা ঈচেলবু মোৎশিলহন্দনা, ঈচেল মশক মুন্না খঙনা চেন্থহন্দুনা ইরমদমগী তুংগী খুন্নাইগী য়াইফবা চাওখৎপা ওইহনবা ঙম্নবা/য়ানশিন্নবা ৱাখলনা-লীচৎনা ঈমাং থোকহনবা থিংনবা/মমাঙঙৈগী পাথাংকোক-পুথাংকোক্কী চৎন-লমদাং ঙাক্না মৈনা ৱায় - তাংনা শম্না ঙাক্না চৎলি হায়বা মালেমগী খুন্নাইদা খঙহনবা/উৎপা ঙম্নবা” হোৎনবসি মতম থেংমল্লবনি। থেংদে, মখোয় খরবু ৱাখল তাহনবনি।

অপূনবগী ফীভমদা কায়দবনা ইপোৎ-মীপোৎ খঙদোকপগী মথৌ তারকপা :-

লমদমসিগী ওইবা হান্না লৈবা অপূনবা ফীভমদা কায়দবনা হৌরক্লোনগী ওইবা ফীভমদা শেমগৎলগা ঙাক শেন্দুনা থম্বগী মথৌ অশেংবদু ওইরকপদগী মখল/হীরম খুদিংদা ঈগী অশেংবা ঈরম খোংলম তেংলগা য়োকখৎতুনা থম্বগী মথৌ তারক্লে হায়বসি মতমগী খোঙলৈ পুয়ানা তাক্লক্লবনি। ইচম চম্না, ইশেং শেংনা হায়রবদা “মীগী লাইনীংবুনা মীরম লাইনীং হায়বদা মীগী মপোৎপুনা মীপোৎ অদুগা ঐখোয়গী লাইনীংবুনা ঈনাৎ লাইনীং হায়বদা ঐখোয়গী পোৎপুনা ইপোৎ হায়নরম্লিবসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙবগী মথৌ তারক্লে।” খুদম - লমদমসিগী মীওই খরনা/অয়াম্বনা মীরমগী লাইনীং লাইশোন লৌদুনা মীরম লাইনীংগী লিচৎ চৎলবসু মীরমগী মীদি হায়বদি ময়াং/ফোরেন্নর খক ওইখিদে। মশানা পামজবদগী ওইখিবনা অতোপ্পনি। মীরমগী ওইনা চৎলগনা মীরম লাইনীং চৎপা, মীপোৎ শীজিন্নবা হায়গনি। মীরমগী লাইনীং লাইশোন অমদি লিচৎ চহী মতম খরা চৎলুরগা মশাগী হৌরক্লোনগী অশেংবদা/মহৌশাদা ওনশিল্লকপা/হঞ্জিল্লকপা মতমদনা ঈনাৎ লাইনীং চৎতুনা ইশাগী ইপোৎ শীজিন্নবা হায়গনি। অপূনবা মশীংদদি করিসু অহোংবা লৈতবনা অপূনবগী ফীভমদা অকায়বা লৈতে হায়গনি। অমবু ওইরবসু ইনাৎ মশীং হেনগৎপদি ঈনাৎকী পাঙ্গল হেনগৎপনি। ইমুং অমত্তদা ফাওবা য়ূম্বুরেম্বগী লিচৎতগী মিঙ্গৌ মান্নদবা অদুম লৈরিবনি। অপোকপা ইপানা নুপী অনী লোনবদা, ঐবু পোকপা ইমানা অহল ওইবদা ইপানা পামজনা লোনবা অনীশুবী ইমাদু - ইমা অশেংবা নত্তবনা ‘ইমাতোন’ কৌনরিবনি। মৈদিংঙু নাওফংবা (খৃ: ৪২৮-৫১৮) না য়াওরৈমা চনুগা লোয়ননা কংলৈ ফম্বাল তোংলবা মতুংদা খুমন নিংথৌ য়োয়রোং পোক পুন্সিবগী মনাওনুপা য়াইমা কচেং খৱাইবনা পোকপা মমোম কায়রৈমাবু নুপী অহল লৈনা লৈনা অকোনবা নুপীবু পাম্না লৌই হায়দুনা অকোনবা লৌবা নুপীবু ‘অপান্বী’ হায়না কৌদুনা খুমন চনু কায়রৈমাবু ‘অপান্বী’ কৌরম্মী। (নিংথৌকোল ইনোৎ - চেমায় ৪৮গী অহানবা মকক)। মিঙ্গৌ চপ মান্নফম থোকপা ইমা অনীদো মান্নদবা মিঙ্গৌ ওইনা কৌনবনা ‘ইরমদমগী লাইনীংবুনা ইনাৎ লাইনীং অদুগা মীরমগী লাইনীংবুনা মীরম/মীনাৎ লাইনীং হায়বসি য়ানীংদ্রবদি অচুম্বা/মশাগী অশেংবা করিনো হায়বসি খঙদ্রবা মমিৎ উরবসু তাংলবা, মনা তারবসু মনা পংলবা মীওইশিংগুম্বনি’ হায়না থমজগে।

ঈনাৎ লাইনীং লিচৎ চৎপা মীশিং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলকপগী মরমশিং :-

পংলিঙৈদা মীরম (মীনাৎ) লাইনীং চৎলুবসি হৌজিক শিংলকপদগী ইনাৎ লাইনীং লিচৎ থিদুনা নৈনরকপদা ইনাৎ লাইনীংনা হীরম কয়াদা হেনবা মরমশিং লৈরম্বসি খঙলকপদগী মীরম (মীনাৎ) লাইনীং লিচৎ থাদোক্লগা ইনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎলকপা মশীং য়াম্লকপনি। য়েলহৌমী ঐখোয়সে কনানো হংলকপদা ইশাগী অশেংবা মশক ইনাৎকী ওইবা লীচৎনা/থৌওংনা তাকনীংলকপদগীনি। মরু ওইবা মরম খরা মখাদা পীজরি।

১) মীরম লাইনীংগীদি খুন্নাইদা লৈরিবা কাঙলূপ মান্নবা মীওইশিংগী মরক্তা ব্রাহ্মন, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমদি শুদ্র বর্নশিং হায়না খায়দোক্তুনা অনেম অৱাংগী ৱাখল শাগৎতুনা অমুকসু অশেং অমাং খায়বা, শোক্ন-শম্নবা য়াদবা হায়বা অখুবা মীৎয়েংগী তৌবা থৌওংদুমক্লা ইনাৎ লাইনীংগীদদি তৌদে। মীগা মীগা মমাঙঙৈদগী শোক্না শম্না য়াদবা, অমাং অশেং খায়দুনা অনেম অৱাং খায়বগী ৱাখল লৈরক্তে। মতমদুগী নিংথৌশিংগী লৈঙাক্লোনগীদা খরা অদুক তৌবদি হৌজিক্তা হায়রগনা মালেমগী ওইবদা লৈঙাক্কী প্রোটোকোল ঙাক্লবগী ৱানি। চারৌ মৌরৌনবা অদুম অরিবা মতমদগী তৌনরকপসি হৌজিক্তসু অদুম তৌনরি। চীং-তম অনীমক্তা য়েক শাগৈ লৈবশিং অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা, লৌন লৈনরম্বদু মীরক হিন্দু লাইনীং/মুকশন লাইনীং চঙলক্লবা মতুংদা চহী চা খরা তোক্লবগুম তৌরুবদু হৌজিক্তদি মীরম লাইনীংগী চৎনবী তোক্লরকপগা লোয়ননা মমাঙঙৈগী অরিবা চৎনবীদা হঞ্জিন্নরক্লে। ঙল্লিঙৈ মতমগী খুন্নাইগী চাওখৎতবা মওংদু হৌজিক্তি লৈত্রে। অদুনা ইনাৎ লাইনীং লাইশোনদি মালেমগী থাক্কী চৎনরোলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

২) ইনাৎকী লাইনীং লিচৎতি মহৌশাগী মওংবু নীংবনি। মহৌশাগী ওইবনিনা ইনাৎকী খোইয়ুম লাইনিংথৌ, খোইমোম লাইরেম্বীশিং মহৌশাগী ওইবা চীংজাও, লাইজ ইরোলনুংদা লৈরিবসিনি। ●